# ইন্টরপ্রেনরশিংদা পীবা গভর্নরস এৱার্ড অমদি আউটষ্টেন্দিং এৱার্ডতা শেলগী মনা হাপ্লগনি

-গভর্নর

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ১৩:*** মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইন্টরপ্রেনরশিংদা মখোয়না তৌরিবা থবকশিংবু মশক খংবা ওইনা পীবা গভর্নর রন্নিং ট্রোফি(বেষ্ট ইন্টরপ্রেনর এৱার্ড) অমদি অমিয়া আউট ষ্টেন্দিং এৱার্ডতা মথং চহিদগী শেলগী মনা হাপ্লগনি হায়না গভর্নর গুরবচন জগৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী ক্লাসিক হোটেলদা ওল মণিপুর ইন্টরপ্রেনর এসোসিয়েসন অমদি মণিপুর সরকারগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ ডিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱার্ড য়েহ্নোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্টকী ৱারোলদা গভর্নরদা হায়, হৌজিক পিরিবা এৱার্ড অসিগী মথক্তা মথং চহিদগী বেষ্ট ইন্টরপ্রেনরদা শেল ওইনা লুপা লিশিং মঙা অদুগা আউট ষ্টেন্দিং অন্তপ্রিন্যুরশিংদা লুপা লিশিং কুন্নগী শেলগী মনা মথং চহিদগী হাপ্লগনি।

মহাক্কি অইবা ৱারোল অদুদগী নাথৈরগা মহাক্না হায়, মণিপুরদা ইন্টরপ্রেনরওইনবগীদমক হ্যুমেন রিসোর্স মরাং কায়না লৈরি। অদুবু মদু মপুং ফানা শিজিন্নবা ঙমদবগুম তৌরি।

লমদম অসিদা লৈরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা হৈথোই শিংথোইরবা নহা অমদি মহৈরোই কয়া মণিপুরগী ৱাংমদা মহৈ তম্বা অমদি অতৈ মরম কয়াগীদমক চৎলি। মমা মপা ওইবশিংসু মচাশিং অসি মপান্দা থাদোক্লরি। মপান্দা চৎখিবশিং অসিগী মনুংদা খরখক্তনি অমুক হনলকখিবা অয়াম্বনা মপান্দা লৈখিবা ঙাক্তনি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মণিপুরগী মহৈরোই কয়া লৈরি। মপান্দা থবক তৌবা কয়াসু য়াম্না পুক্নিং চংনা থবক তৌবা ঙাক্তনি। অসিগুম্লবা হৈথোই শিংথোইরবা নহা কয়া অসিবু হেক য়াবমখৈ মণিপুরদা হলহন্নবা থবক লৌখৎফম থোকই। লোয়ননা মখোয়দা লৈরিবা হৈ-শিংবা কয়া অদু নিংথিনা শিজিন্নবা থবক লৌখৎপা তাই।

মণিপুরদা ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎনবা থবক পায়খৎনবা মিনিষ্টরদা গভর্নরনা খঙহনখি। মণিপুরদা ফংলিবা মেডিসিনেল প্লান্টশিং অসি য়েংলগা ফার্মাচ্যুটিকেল ইন্দষ্ট্রি লিংবা হোটেল ইন্দষ্ট্রিশিং লমদম অসিদা লিংবদা মায় পাকপা ঙমগনি। অসিগুম্বা খুদোংচাবা কয়া অসিগী পনখৈ লৈরোই।

অসিগুম্বা থবকশিং অসি পায়খৎপদা সরকারগী ওইবা সেক্তরদগী লন্নাই সেক্তররোমদা হেন্না মীৎয়েং চংবা মতম ওইরে। মসিনা থবক ফংদ্রিবা লাইহিরিক হৈরবা নহা কয়া থবক ফংনবগী খুদোংচাবা শোয়দনা ফংহনগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা গভর্নরনা মখা তানা হায়, মপুংফানা শেম শারবা, স্কিল অমদি ইন্টরপ্রেনরশিপ ডিভলপ তৌনবা পোলিসি অমগা লোয়ননা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি ডিপার্টমেন্টনা মণিপুরবু ইন্দষ্ট্রিগী মায়ওন্দা পুরক্নবা অনৌবা লম্বী অমদা চংশিনবা মতম ওইরে। তোঙান তোঙানবা হিরমশিং য়াওরবা মণিপুরগী অনৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি অমনা মণিপুরদা ইন্দষ্ট্রিগী য়ুম্ফম অমা শেম্লক্কনি হায়বা থাজে। ইন্দিয়াগী লুক ইষ্ট পোলিসিগী মীৎয়েংগা ইরোইননা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল ভিজন,২০২৫ অমগী খনবা মতম ওইরে। ইন্টরপ্রেনর চাওখৎহনবা হায়বসিনা লৈবাক অমগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। অন্তপ্রিন্যুরশিংনা মশানা মশাবু থবক পীজবতা নত্তনা অতোপ্পবুসু থবক পীরি। অনৌবা ইন্টরপ্রেনরশিংনা তেক্নিকেল, মনেজরিয়েল, ফাইনান্সিয়েল অমদি মার্কেটিংগী স্কিলশিং মালেমগী ওইনা লৈরিবা শিংনবা কয়া অসি থেংনবা ঙম্নবা শেমগৎপা দরকার লৈ।

মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা থবক ফংদবগী প্রোব্লেমশিং অসি কোকহন্নবা অখন্নবা থবকশিং পায়খৎপা য়াম্না দরকার লৈ। ইন্টরপ্রেনরশিংগী কন্ত্রিব্যুসন য়াওদনা ষ্টেট অমা চাওখৎপা ঙম্লোই। হৌজিক দরকার ওইরিবসি ইন্দষ্ট্রিগী পোত্থোকশিং অসি মালেমগী থাক্তা চাংদম্নবা ঙম্নবা ইন্সটিট্যুসনেল মেকানিজম পুথোকপা অদুনি।

মণিপুর অসি য়াওন পুরক্নবা হোৎনবদা খুরৌ ওইবা মচাকশিং মপুংওইনা সপ্লাই বোটলনেক, বন্দ, ব্লোকেদ, প্রোফেসনেলগী ওইবা লৌশিং জ্ঞান ৱাৎপা , মপুং ফানা শেমগৎলবা ৱার্ক ফোর্স লৈতবা অসিনচিংবাগী অৱাৎপা লৈ। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসিগী মরক্তা ইন্টরপ্রেনরখরনা মখোয়গী হৈ শিংবা অদু পুথোক্তুনা অতোপ্পগা চাংদম্নবা য়ারবা পোত্থোক কয়া পুথোক্লকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থাঙজম এগ্রো ইন্দষ্ট্রিজগী ফাউন্দর টি ঐচ জয়কুমারদা বেষ্ট ইন্টরপ্রেনর এৱার্ড-২০১১,কোংপাল লৈথোং লাইরেম্বী ৱীভর কো-ওপরেটিভ সোসাইতিগী সেক্রেটরি মংশাতাবম ওংবী মেম্মীদা বেষ্টৱুমেন অন্তপ্রিন্যুর - ২০১১,কংলৈপাক স্পাইসি ইন্দষ্ট্রিজগী প্রোপ্রাইটর টি ঐচ রাকেসতা বেষ্ট মার্কেটিং অমদি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী ও এস ডি এস রাধাদামুদোরদা বেষ্ট ফেলিসিটেটর এৱার্ড পীখি। থৌরম অদুদা ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ও নবকিশোরসু শরুক য়াখি।